# চেম্পিয়ন্স লীগ: অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল লেগতা পি এস জিনা লিভরপুল অমসুং এঠলেটিকো মেদ্রিদনা বার্সেলোনা মায়থিবা পীখ্রে



লন্দন, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ
য়ুনিয়ন ওফ য়ুরোপিয়ন ফুটবোল এসোসিয়েসন (য়ু ই এফ এ) চেম্পিয়ন্স লীগকি অহানবা লেগকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এঠলেটিকো মেদ্রিদনা বার্সেলোনাবু গোল ২–০ অমসুং চপ মান্নবা স্কোরদা পি এস জিনা লিভরপুলবু মায়থীবা পীখ্রে।

বার্সেলোনাগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা কেম্প নৌদা শান্নখিবা অহানবা লেগকি ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অসিদা বার্সেলোনাগী পৌ কুবরসি মেটচকি মিনিট ৪৪ দা রেদ কার্দ বুক তৌদুনা মেটচ অসিদগী মপান থোকহনখিবদগী লেমহৌরিবা মিনিটশিংদা মখোয়গী শান্নরোই ১০ খক্তমক্তা শান্নখি।

বার্সেলোনাগী শান্নরোই ১০ খক্তনা শান্নবগী খুদোংচাবা লৌদুনা এঠলেটিকো মেদ্রিদকী মায়কৈদগী গোল চন্নবা লেপ্তুনা প্রেসর পীরকখি। অহানবা হাল্ফকী স্টোপেজ টাইমদা মিটর ২৫ লাপ্পা মফম অমদগী জুলিয়ন অলবারেজনা কাওরকপা ফ্রি কিক অমদগী গোল চন্দুনা বার্সেলোনাগী সপোর্টরশিংবু তুমিন্না লৈহনখি।

অহানবা হাল্ফ লোয়বা ফাওবদা এঠলেটিকোনা গোল অমা মাঙজিল থাদুনা চৎখ্রবসু অনীশুবা হাল্ফকী অঙনবা শরুক্তা মার্কস রাসফোর্দনা ফ্রি কিক অমদগী গোল চনবা য়ারম্লবসু ক্রোস বারদা পান্দুনা অরেম্বা তাখি অদুবু ৭০শুবা মিনিটতা মাটিয়োনা পীরকপা পাস অমদগী এলেকজেন্দর সোরলোথনা অনকপা মফম অমদগী বার্সেলোনাগী গোলকিপরবু মায়থিবা পীরম্লগা অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি।

লা লিগাগী পোইন্ট টেবলদা মকোক্তা লৈরিবা বার্সেলোনা মেটচ অসিগী হৌরকপদা ঈং তপ্পা মেটচ কন্ত্রোল তৌদুনা শান্নবা হৌরকখি। অদুম ওইনমক অহানবা হাল্ফকি লোইরকপা মেটচকি মিনিট ৪৪ চৎপদা সিমিয়োনিনা গোল এরিয়া মনুং তন্না পুশিল্লকপা বোল অমা কুবারসিনা থিংনবা হোৎনবদা তুংদগী ফাউল তৌরুবদগী রেফ্রিনা য়েল্লো কার্ড বুক তৌদুনা এঠলেটিকোগী ফেভরদা ফ্রি কিক পীখি। অদুম ওইনমক ভি এ আরগী খুৎথাংদা য়েংশিল্লুবদা য়েল্লো কার্দ ৱিদ্রো তৌরগা রেদ কার্দ ওইনা বুক তৌদুনা কুবারসি মেটচ অসিদগী মপান থোকহনখি।

ফ্রি কিক অদু জুলিয়ন অলবারেজনা য়েৎথংবা মথক্কী কাচিনদা শক্তি লৈনা কাউশিনবদগী বার্সেলোনাগী গোলকিপর গার্সিয়ানা চোংদুনা সেভ তৌনবা হোৎনরবসু ঙমহৌদবদগী এটলেটিকো মেদ্রিদকি গোল এক্কাউন্ট হাংদোকখি।

শান্নরোয় ১০ খক্তনা শান্নরবসু অনীশুবা হাল্ফতা বার্সেলোনাগী মায়কৈদগী খোঙজেল য়াংনা শান্নখিবগা স্ট্রাইকর লেৱান্দোস্কি অমদি রাসফোর্দনা গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবা কয়া ফংখিবগা লোয়ননা নহা ওইরিবা য়ামালগী খোংগী হৈশিংবা কয়ানা এটলেটিকো মেদ্রিদকি দিফেন্দরশিং অৱাবা মায়োক্লহনখি। এটলেটিকো মেদ্রিদকি দিফেন্দরশিংনা খোংফম চেৎনা লেপ্তুনা বার্সেলোনাগী এটেক্ট কয়া ঙাকথোকখিবগা লোয়ননা গোলকিপর জুৱান মুসোনা মতাং চানা ফজরবা সেভ কয়া তৌদুনা গোল ইক্বেলাইজ তৌহনখিদে।

মেটচকি মিনিট ৭০ চৎপদা গ্রিজমন অমদি রুগিরিনা য়ান্না নীংথিনা শাগৎতুনা পুখৎলকখিবা বোল অমা রুগ্রিনা ওইথংবা ফ্লেঙ্কতগী গোল এরিয়া মনুংদা ক্রোস তৌরকখি। ক্রোস তৌরকখিবা বোল অদু সোরলোথনা অনকপা মফম অমদগী কাওশিন্দুনা এটলেটিকো মেদ্রিদকি অনীশুবা গোল চনখি। মেটচ মায়থীবগী ৱাফম খক্তা নত্তনা বার্সেলোনাগী শান্নরোয় অমদি সপ্লোর্ট ষ্টাফশিংগী মায়কৈদগী মেটচ কন্দক্ট তৌরিবা ওফিসিয়েলশিংগী দিসিজনদা নুংঙাইতবা অমদি পেন্দবা ৱাফমশিং ফোঙদোক্লখি।

কুবারসিগী চেল্লেঞ্জতা ভি এ আরগী খুৎথাংদা কুপথনা য়েংলগা য়েল্লো কার্ডতগী রেদ কার্ড ওন্থোক্লবসু এটলেটিকোগী দিফেন্দর মার্ক পুবিলগী হেন্দবোল করিগীদমক ভি এ আর লৌদ্রিবনো হায়বনচিংবা পেন্দবা ৱাফমশিং থমখি।

শান্নরোয় অমা হন্থরবসু বার্সেলোনাগী শান্নরোয়শিংনা বোল পোজিসন নীংথিনা শান্নখিবগা লোয়ননা রাসফোর্দকি খোঙজেল য়াংলবা মশান্না এটলেটিকো মেদ্রিদকি দিফেন্দরশিংনা থিংনবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। এটলেটিকো মেদ্রিদনা মেটচ অসি মায় পাকখিবদা মেনেজর দাইগো সিমিয়োনি চহী ১৪গী মতুংদা কেম্প নৌদা মায় পাকপগী মহাউ তংবা ফংখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদা পি এস জিনা লিভরপুলবু অহানবা লেগকি ক্বার্টর ফাইনেলদা গোল ২–০ দা মায়থীবা পীখ্রে। দিজয়ার দুনা মেটচকি মিনিট ১১ দা লুপতা চনখিবা গোলনা পিএসজিনা অহানবা হাল্ফ ফাওবদা গোল ১–০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা হাল্ফকি মিনিট ৬৫ চৎপদা কেভর্টখেলিয়ানা অনৌবা গোল অমগা চন্দুনা পূন্না গোল ২–০ দা পি এস জিনা মায় পাকখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা বায়র্ন মুনিকনা রিয়েল মেদ্রিদপু গোল ২–১ দা মায়থীবা পীখ্রে। মেটচ অসিদা বায়র্ন মুনিককি লুইজ দাইজনা অহানবা হাল্ফকি লোইশিল্লকপা মিনিট ৪১ চৎপদা গোল এক্কাউন্ট হাংদোকখিবগা লোয়ননা হেরি কেননা অনীশুবা হাল্ফকি মিনিট ৪৬ চৎপদা অনীশুবা গোল চন্দুনা পূন্না গোল ২–০ দা বায়র্ন মুনিক্না মাঙজিল থাখি। রিয়েল মেদ্রিদকি মায়কৈদগী গোল হন্দোক্লবা কন্না হোৎনদুনা মেটচকি মিনিট ৭৪ চৎপদা এমবাপ্পেনা গোল অমা হন্দোক্লবসু মখা তানা গোল চনবা ঙমদবনা পূন্না গোল ২–১ দা বায়র্ন মুনিকা মায় পাকপা ঙমখি।

# ইন্দিয়ান এঠলেটিক সেরিজ–থ্রিদা মকোক থোংবা এঠলেট কয়া শরুক য়াগদৌরি





ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ
থা অসিগী ১১দগী ন্যু দিল্লিদা লৈবা জৱাহরলাল নেহরু ষ্টেদিয়মদা নৌনা থাখিবা মোন্দো ত্রেকতা চথ্থগদৌরিবা ইন্দিয়ন এঠলেটিক সেরিজ থ্রিদা অনিমেস অমসুং হিমা য়াওনা ইন্দিয়াগী মকোক থোংবা এঠলেট কয়া শরুক য়াগদৌরি।

ইন্দিয়ন এঠলেটিক সেরিজ থ্রি অসিদা নুপাগী মিটর ১০০ অমসুং মিটর ২০০দা নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর ওইরিবা অনিমেস কুজুর, নুপাগী মিটর ৪০০দা বিসাল, নুপাগী সোট পুটতা তাজিন্দরপাল সিংহ তুর অমসুং নুপীগী মিটর ৪০০দা হিমা দাস য়াওনা টোকিওদা পাঙথোকখিবা ২০২৫ ৱার্ল্ড চেম্পিয়ন্সিপ্তা মরিশুবা পোজিসন তাখিবা জেল্লিন থ্রোৱর সচিন যাদবনচিংবা কয়াসু য়াওগদৌরি। সেরিজ অসিদা শরুক য়াগদৌরিবা এঠলেটশিংগী অরোয়বা লিষ্ট এঠলেটিক্স ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়া ( এ এফ আই)না হয়েং থোক্লকপা য়ারি।

সেরিজ অসিদা চহী ২৬ শুরবা হিমাস দাসনা য়াওগদৌরিবা অসি জুন ২০২৪দা পাঙথোকখিবা নেসনেল ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপকী মতুংদা চহী ২ লৈরগা অহানবনি।

নুপাগী মিটর ১০০দা নেসনেল রেকোর্দ হোল্ডর অমা ওইরিবা অমিনেস কুজুর সেরিস অসিদা গুরিন্দরভির নচিংবা কয়া য়াওবা মরম্না গোল্ড মেদল লৌবদা অরায়বা ওইরোইদৌরি।

মমাঙ থাদা ভুবনেশ্বরদা পাঙথোকখিবা নেসনেল ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপকী অহানবা ইদিসনদা গুরিন্দরভিরনা মিটর ৬০দা গোল্ড মেদল লৌখিবগা লোয়ননা অমিনেস কুজুরনা ফাইনেল অসিদা দিসক্কালিফাই ওইখিবনি।

নেসনেল ইন্দোর চেম্পিয়ন্সিপকী মিটর ৬০দা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবা গুরিন্দরভির মিটর ১০০দা মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা টাইমিং ওইনা ১০.২০ সেকেন্দদা লৈরিবনি। অনিমেস কুজুরনা মিটর ১০০দা মহাক্কী নেসনেল রের্কোদ অদু ১০.১৮ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌরগা থম্বা ঙমখিবনি।

নুপাগী মিটর ৪০০দা বিসালনা মমাঙ চহীগী ওগষ্ট থাদা চেন্নাইয়ননা য়ুম্ব ওইদুনা পাঙথোকখিবা নেসনেল ইন্টর ষ্টেট চেম্পিয়ন্সিপ্তা ৪৫.১২ সেকেন্দদা লমথুংফম য়ৌদুনা নেসনেল রেকোর্দ থমখ্রবা মতুং সেরিজ অসিদা অহানবা ওইনা মিটর ৪০০গী রেসতা শরুক য়াগদৌরিবনি।

নুপাগী সোট পুটতা চহী ৩১ শুরবা টজিন্দর পালনা সেরিজ অসিদা থাজবা পুন্নমক থমদুনা শরুক য়াগদৌরি। সিজন অসিদা পাঙথোকখিবা কম্পিটিসন অনীদা মহাক্না মিটর ২০ লান্না লংবা ঙমখ্রবনি। নুপাগী জেল্লিন থ্রোদা হৌজিক হৌজিক মপান লৈবাক্তা ত্রেনিং তৌদুনা লৈরিবা ওলেম্পিক মেদলিষ্ট অনীরক ওইবা ঙমখ্রবা নিরজ চোপ্রা, সচিন যাদব, কিশ্বর কুমার জেনা, রোহিট য়াদব, য়াসবির সিংহ, বিক্রান মালিক অমসুং সিভমনচিংবা কয়ানা অকনবা লম্বা তৌনগদৌরি।

নুপীগী মিটর ২০০ অমসুং মিটর ৪০০দা হিমা দাসগা লোয়ননা মেদল লৌবা য়াবশিংগী মরক্তা জোতিকা দান্দি, অশ্বারিয়া মিস্রা অমসুং পুভম্মানচিংবশিং য়াওরি।

চথ্থগদৌরিবা ইন্দিয়ন এঠলেটিক সেরিজ অসিদা অন্দর–২০ কেটাগোরিগী তোঙান তোঙানবা ইভেন্টশিংসু য়াওরি।

## ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব–জুনিয়র নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ:

# পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হভেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ু নুপাগী সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

রাজগির, এপ্রিল ০৮ (এজেন্সি)ঃ
বিহারগী রাজগিরদা চথরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব–জুনিয়র মেন নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপকী দিভিজন–এদা পঞ্জাব, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমসুং দদ্রা এন্দ নগর হভেল্লি এন্দ দমন এন্দ দিয়ু সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।





দিভিজন–এ অসিগী ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা দদ্রা এন্দ নগর হভেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ুনা চান্দিগরবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙখি। মেটচ অসিদা দদ্রা এন্দ নগর হভেলি এন্দ দমন এন্দ দিয়ুগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু ২৭শুবা অমসুং ৪২শুবা মিনিটতা কেপ্তেন ধিরজ পালনা চনবা ঙমখি। মায়থিহৌরবা চান্দিগরগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচ অসিগী অরোয়বা মিনিটতা জস্মিতনা চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা পঞ্জাবনা ঝরখন্দবু গোল ৫–৩দা মায়থিবা পীখ্রে। পঞ্জাবগী সেমি ফাইনেল চঙবগী গোলশিং অদু রাজভিরনা মেটচকী ২৯শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনিটতা গোল অনী, অকাস দিপনা ১১শুবা মিনিট, সহাবাজ প্রিটনা মেটচকী ৩২শুবা মিনিট অমসুং সনমুকনা ৩৯শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিহৌরবা ঝরখন্দগী গোল অহুমমক অশিসনা মেটচকী মিনিট ১৫শুবা, ১৯শুবা অমসুং ৫৬শুবা মিনিটতা চন্দুনা হেটট্রিক তৌবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা উত্তর প্রদেশনা উড়িষাবু গোল ৬–৩দা মায়থিবা পীখ্রে। উত্তর প্রদেশকী গোলশিং অদু নিতিস যাদবনা মেটচকী ৪৯শুবা অমসুং ৫১শুবা মিনিটতা গোল অনী, করননা মেটচকী ৩৩শুবা মিনিট, রাজভরনা মেটচকী ৩৯শুবা মিনিট, কেপ্তেন কেতননা মেটচকী ৪২শুবা মিনিট অমসুং রোমিট পালনা মেটচকী ৫২শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনবা ঙমখি।

মায়থিহৌরবা ওড়িষাগী গোল অহুমক দিপকনা ৩৪শুবা, ৪৫শুবা অমসুং ৫৭শুবা মিনিটতা চন্দুনা মহাকসু হেটট্রিক তৌখি।

মরিশুবা অমসুং অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেলদা মধ্য প্রদেশনা হরিয়ানাবু সুট আউটতা গোল ৪–৩দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চঙবা অরোয়বা টিম ওইখি। টিম অনীমক্না অপিবা মতমদা গোল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা দ্রো ওইবদগী সুট আউট পাঙথোকপদা মধ্য প্রদেশগী মায়কৈদগী করন গৌতম, গাজি খান, সিধাদ অমসুং রোনিন নিঙোম্বম গোল চল্লবসু হরিয়ানাগী মায়কৈদগী অশিস, সচিন অমসুং বিশ্বাজিৎ খক্তমক গোল ওন্থোকপা ঙমখি।

নাকল অমরোমদা রাথ্ঙিদা চথরিবা ১৬শুবা হোক্কী ইন্দিয়া সব–জুনিয়র ৱুমেন'স নেসনেল চেম্পিয়ন্সিপ্তা ওড়িষা, উত্তর প্রদেশ, মধ্য প্রদেশ অমসুং ঝরখন্দ সেমি ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ্‌সিগী দিভিজন–এগী অহানবা ক্বার্টর ফাইনেলদা ওড়িষানা মহারাষ্ট্রবু গোল ৮–১দা মায়থিবা পীখি। ওড়িষাগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু প্রিয়ঙ্কানা মেটচকী ৮শুবা, ২৬শুবা, ৪১শুবা অমসুং ৫৪শুবা মিনিটতা গোল মরি চন্দুনা হেটট্রিক তৌখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা গোলশিং অদুনা প্রিয়ানা মেটচকী ২০শুবা অমসুং ৪২শুবা মিনিটতা গোল অনী, স্বীতি কুজুরনা মেটচকী ২৬শুবা মিনিট অমসুং কিরননা মেটচকী ৩৮শুবা মিনিটতা গোল অমমম চনখি।

অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা মধ্য প্রদেশনা মিজোরামবু গোল ৫–১দা মায়থিবা পীখ্রে। মধ্য প্রদেশগী গোলশিং অদু কেপ্তেন নৌসিননা মেটচকী ১২শুবা, ২৪শুবা অমসুং ৪২শুবা মিনিটতা চনবগা লোয়ননা নমিনা মেটচকী ২শুবা অমসুং কেসরনা মেটচকী ২১শুবা মিনিটতা অমমম চনখি। মায়থিহৌরগা মিজোরামগী গোল অদুনা অরোয়বা ক্বার্টরগী ৫৩শুবা মিনিটতা লালদিনপুইনা চনবা ঙমখি।

অহুমশুবা ক্বার্টর ফাইনেলদা উত্তর প্রদেশনা হরিয়ানাবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখ্রে। উত্তর প্রদেশগী মায় পাকপগী গোল অদু অলিকানা মেটচকী ২১শুবা অমসুং রাশিনা ৫৪শুবা মিনিটতা চনখি। মায়থিহৌরগা হরিয়ানাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা রাধিকানা মেটচকী ৫০শুবা মিনিটতা চনখি।

অরোয়বা ক্বার্টর ফাইনেলদা ঝরখন্দনা পঞ্জাবু গোল ২–০দা মায়থিবা পীখ্রে। ঝরখন্দগী সেমি ফাইনেল চঙবগী গোল অদু মেটচকী ৩৫শুবা মিনিটতা পুস্পা অমসুং ৫৩শুবা মিনিটতা সন্দিপানা চনবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী অহানবা সেমি ফাইনেলদা ওড়িষা অমসুং মধ্য প্রদেশ অমদি অনীশুবা সেমি ফাইনেলদা ঝরখন্দ অমসুং উত্তর প্রদেশনা হয়েং শান্নরগনি।

# ইন্দিয়াগী ৱুমেন'স হোক্কী টিম মেটচ ৪ সেরিজগী অর্জেন্তিনা পাংখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ
থা অসিগী ১৩দগী ১৭ ফাওবা চথ্থগদৌরিবা মেটচ ৪গী অর্জেন্তিনা টুরগীদমক ইন্দিয়াগী ৱুমেন'স হোক্কী টিম ঙসি অর্জেন্তিনাগীদমক বেঙ্গলুরুগী কেমপেগৌদা ইন্টরনেসনেল এয়রপোর্টতগী ইন্দিয়া থাদোকখ্রে।

ইন্দিয়াগী মেম্বর ২৪গী স্কৱাদ অমদি ওফিসিয়েল য়াওনা ঙসি নুংথিল অর্জেন্তিনাগীদমক ইন্দিয়া থাদোকখিবদা কেপ্তেন ওইরিবী সলিমা তেতে অনাবানা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওখিদ্রে। মহাক্কী মহুৎতা নভনিট কোরনা টুর অসিগী কেপ্তেন ওইরগনি।

চহী অসিদা পাঙথোক্কদৌরিবা এফ আই ঐচ ৱুমেন'স ৱার্ল্ড কপ অমসুং এসিয়ন গেমস য়াওনা তোঙান তোঙানবা ইন্টরনেসনেল টুর্নামেন্টগী মাঙওইন্না অর্জেন্তিনা টুর অসি টুর্নামেন্টশিং অসিগীদমক শেম শাবগী ওইনা মরুওইবা টুর অমা ওইরিবনি।

ইন্দিয়াগী টিম অসিনা বেঙ্গলুরুদা চায়োল খরগী মমাঙদগী টেক্টিকেল দিসিপ্লিন ষ্ট্রকচর প্লে অমদি ফিটনেসতা অখন্না মীৎয়েং থমদুনা হেদ কোচ মারিজ্জিনেগী মখাদা অকনবা ত্রেনিং চথ্থরকখিবনি।

সলিমা তেতেনো নাখিবনা মরম ওইরগা মহাক্কী মহুৎতা কেপ্তেন ওইনা হাপখ্রবী নভনিট কোরনা ইন্দিয়া থাদোক্ক্রিঙৈ মমাঙওইন্না ফোঙদোকখিবদা হায়দরবাদনা য়ুম্ব ওইদুনা হন্দক্তা চথ্থিবা এফ আই ঐচ ৱুমেন'স হোক্কী ৱার্ল্ড কপ ক্বালিফাইয়রদা রন্নরস অপ তাখিবা অদুনা শান্নরোইশিংগী মরক্তা অচৌবা ইনোট অমা পীরি। টুর অসিদা মগুন লৈবা অর্জেন্তিনাগা মেটচ মরি শান্নগদৌরিবা অসিনা নহা অমসুং এক্সপরিয়েন্স লৈরবা শান্নরোই কয়া য়াওরিবা টিম অসিদা হেন্না হৈনিংবা অমদি তুংদা লাক্কদৌরিবা টুর্নামেন্টশিংদা অচৌবা কান্নবা অমা পীরগনি হায়খি।

# নেরোকা অমুক হন্না মায়থিখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়াগী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা অহুমশুবা টয়রদা লৈরিবা আই লীগ টু ২০২৫–২৬ সিজনগী ঙসি নেরোকা এফ সিগী এৱে মেটচ ওইনা মুম্বাইদা লৈবা কোওপরেজ ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচ অমদা য়ুম্ব ওইরিবা জি এম এস সিনা নেরোকাবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীরকখ্রে।

জি এম এস সিনা নেরোকাবু গোল ২–১দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অসিদা জি এম এস সিগী মায় পাকপগী গোল অদু মেটচকী ৩৫শুবা মিনিট অমসুং ৫১শুবা মিনিটতা চনখিবগা লোয়ননা নেরোকাগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মেটচকী ৮৯শুবা মিনিটতা চনখি। মেটচ অসিদা জি এম এস সিগী গোল অমা চনবা ঙমখিবা অরাভিনরাজ রাজননা প্লেয়র ওফ দি মেটচ তাখি।

চথ্থরিবা আই লীগ অসিদা নেরোকাগী অহানবা মেটচ ওইনা দিল্লি এফ সিগা শান্নবদা দ্রো ওইখ্রবা মতুং অনীশুবা মেটচ ওইনা স্পোর্টিং ক্লব দি গোৱাগা শান্নখিবা মেটচতা ০–১দা মায়থিবা নঙখ্রবনি।

টিম ৯না শরুক য়াদুনা চথ্থরিবা লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা নেরোকা মেটচ ৩ শান্নবদা অমা দ্রো ওইরগা অনীনা মায়থিবা নঙলগা পোইন্ট অমখক ফংদুনা অরোয়বা মফমদা লৈরি।

# মনিকা ভত্রনা ২৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী জপানগী মিয়ু মায়থিবা পীখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ
চাইনাগী টাইয়ুৱানদা চথ্থরিবা দব্লিউ টি টি কন্টেন্দরদা ওলেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখ্রবী মনিকা ভত্রানা মালেমগী ২৫শুবা রেঙ্কতা লৈরিবা জপানগী মিয়ু কিহারাবু মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙখ্রে।

চথ্থরিবা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মালেমগী ৪৯শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী মনিকা ভত্রানা ৬শুবা সিদ ওইনা শরুক য়ারিবু মিয়ু কিহারাবু মিনিট ৪৩ চঙনা অকনবা মওংদা গেম মঙা লম্বা তৌনরবা মতুং ১১–৮, ১০–১২, ১৪–১২, ৯–১১, ১১–৭দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙবা ঙমখি। রাউন্দ ওফ ১৬দা মনিকা ভত্রানা জপানগী অতোপ্পা পেদ্দলর আই টি টি এফ রেঙ্কিংদা ৩৬শুবা মফমদা লৈরিবা হিরানোগা থেংনরগনি।

মনিকা ভত্রানা কিহারাবু মায়থিবা পীখিবা মেটচ অসিদা মনিকানা অহানবা গেমদা ১১–৮দা মায় পাকখ্রবা মতুং অনীশুবা গেমতা মনিকানা পোইন্ট ৬–২দা মাঙজিল থাদুনা লৈরম্লবসু কিহারানা অকনবা মওংদা খুৎ হল্লক্তুনা গেম পোইন্ট ২ সেভ তৌরবা মতুং ১২–১০দা মায়থিবা পীরমদুনা গেম অমমম কানদুনা লৈখি।

অহুমশুবা গেমদা জপান প্লেয়র অসিনা ৮–১০দা শোত্থনা লৈরম্বদগী পোইন্ট ৩ থংন থংননা লৌখ্রবসু গেম অসিদা মনিকা ভত্রনা মহাক্কী হৈজা–শিংজবা পুন্নমক পুথোক্তুনা শান্নবগা লোয়ননা ১৪–১২দা মায় পাক্তুনা অমুক হন্না ২–১দা মাঙজিল থাদুনা চৎপা ঙমখি।

মরিশুবা গেমদা শান্নরোই অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নবগা লোয়ননা গেম অসিগী লোয়রমদাই তাঙ্কক ফাওবা পোইন্ট চপ মান্না লৈরম্লবসু কিহারানা থংন থংননা পোইন্ট খরা লৌবা ঙমখিবদগী ১১–৯দা মায় পাক্তুনা ২–২দা লৈহনবগা লোয়ননা দিসাইদিং গেম শান্নখি।

দিসাইদিং অমসুং মঙাশুবা গেমদা পোইন্ট ৩–৩ চপ মান্না লৈরম্লবসু মনিকা ভত্রনা মহাক্কী এক্সপরিয়েন্স পুন্নমক পুথোক্তুনা শান্নবগা লোয়ননা অৱাবা কয়া মায়োক্লদনা ১১–৭দা মায় পাক্তুনা রাউন্দ ওফ ১৬ চঙবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মনিকানা কিহরাবু মায়থিবা পীখিবা অসি মেটচ ৩ শান্নবদা অহানবা মায় পাকপনি।

COMBINED TUTORIALS FOR CBSE
Estd. 2007
The Largest CBSE & COHSEM Tutorial Centre In Manipur.
Sagolband Moirang Leirak Machin, Parking Imphal.
ADMISSION OPEN FOR 1st BATCH 2026
Class 11 & 12 Sc./ Arts (CBSE/ COHSEM)
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
Class 8, 9 & 10 CBSE
1st Batch 12th March, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
2nd Batch 02th April, 2026 | 4:30 pm to 7:30 pm
Subject Offers
Class IX & X :- English, Science, Social - Science, Maths, MM & Hindi
Class XI & XII Sc. :- Physics, Chemistry, Mathematics Biology & English
Class XI & XII Arts :- Geography, Pol-Science, History, Sociology, Economic & English
Van Service | Hostel Available for Boys & Girls | Please Contact : 9436800790
SL/B(sush/02

# সার্থকনা জমসেদপুর এফ সি কনখ্রে

ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ০৯ (এজেন্সি)ঃ ইন্দিয়ান সুপর লীগকী ঙসি জমসেদপুর এফ সিগী হোম গ্রাউন্দ ওইরিবা জে আর দি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা শান্নখিবা মেটচ অমদা মুম্বাই সিটিগী মখুৎতা মায়থিরমগদবদগী সার্থক গোলুইনা অথেংবা মিনিটতা চনখিবা গোলনা কনবা ঙমখ্রে।

জমসেদপুর এফ সি অমসুং মুম্বাই সিটি এফ সিনা শান্নখিবা মেটচ অসিদা মুম্বাই সিটিগী গোল অদু অহানবা হাল্ফকী ইঞ্জুরি টাইমগী ৫০শুবা মিনিটতা ব্রেন্দন ফর্নাদেজনা চনখিবগা লোয়ননা জমসেদপুর এফ সিগী ইক্বেলাইজিং গোল অদুনা মেটচকী অরোয়বা মিনিট ৯০ শুবদা সর্থক গোলুইনা চনবা ঙমখি।

মেটচ অসিদা মুম্বাই সিটি দ্রো ওইখ্রবসু মেটচ ৮ শান্নবদা ৫ মায় পাল্লগা অহুম দ্রো ওইরগা অমত্তা মায়থিবা নঙদনা পোইন্ট ১৮ ফংলগা মকোক থোংবা মফমদা লৈবগা লোয়ননা জমসেদপুর এফ সিনা মেটচ ৮ শান্নবদা ৪ মায় পাল্লগা ৩ দ্রো ওইরগা অমনা মায়থিবা নঙলগা পোইন্ট ১৫ ফংদুনা অনীশুবা মফম কল্লি।

ক্রোসৱার্দ ১০০২ গী পাউখুম

| | | | | | | | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| C | L | A | W | | S | O | R | T | | A | D | M | I | T |
| H | I | D | E | | O | P | E | N | | L | E | A | S | E |
| U | S | E | D | | R | E | S | T | R | I | C | T | E | D |
| M | A | S | S | A | C | R | E | | A | B | A | T | E | S |
| | | | | M | E | A | T | | N | I | L | | | |
| E | C | L | A | I | R | | | O | K | S | | G | A | S |
| L | A | U | N | D | E | R | E | D | | | T | R | O | T |
| L | I | N | T | | R | E | N | D | S | | W | E | R | E |
| E | R | A | S | | | A | S | S | O | C | I | A | T | E |
| N | O | R | | H | E | R | | | R | E | N | T | A | L |
| | | | T | E | A | | I | C | E | D | | | | |
| S | M | E | A | R | S | | N | I | N | E | T | E | E | N |
| P | E | R | P | E | T | R | A | T | E | | R | A | V | E |
| A | R | I | E | S | | O | N | E | S | | E | V | E | R |
| N | E | E | D | Y | | B | E | D | S | | K | E | N | O |